# অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎলকপদা টোঙ্গাগী মফম কয়াদা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে



ৱেলিংটন, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি): পেসিফিক্কী ঈথৎ লৈবাক অমা ওইরিবা টোঙ্গাদা সাইক্লোন গীতানা পাক-শন্না অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং য়ূম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনখ্রে।

কেটিগরি ফোর য়ৌনা কনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা মীওই কয়া শিহনখ্রবগে হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ-চাবা রিপোর্ট ফংবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মীওই কয়ামরুম অশোক-অপন নংবগী পাউ ফংলে হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্নমেন্টকী এদভাইজর ওইনা টোঙ্গাগী নেসনল ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট ওফিসতা লৈবা গ্রহম কেনানা ফোঙদোকখি।

সোসল মীদিয়াদা অমাঙ-অতা থোক্লবা পার্লিয়ামেন্ট হাউসকী বিল্ডিংগী শক্তম থাগৎলকখি। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনবগা লোয়ননা পৱার লাইনশিং অমাঙ-অতা থোকপগী শক্তমসু সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকখি।

ন্যু জিলেন্দগী ফোরেন এফেয়র্স মিনিষ্টর ৱিনষ্টন পীটর্সনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, সাইক্লোন গীতানা কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবগে হায়বদু চপ-চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক অৱাবা তারবা মীয়ামদা খুদক্কী তেংবাং পীবা মথৌ তারি হায়বা ৱাফম অসিমদি ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

সাইক্লোন গীতা হায়না খঙনবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎলকপদগী মীওই ৫,৭০০ লোম খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মফমদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরি। অপিকপা পেসিফিক্কী ঈথৎ লৈবাক অদুদা ন্যু জিলেন্দনা দোলর ৫৪৫,০০০ তেংবাং পীখিবগা লোয়ননা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়াওবা এয়র ফোর্সকী হর্কুলিস এয়রক্রাফট অমসু থাজিনখ্রে।

সাইক্লোন গীতানা টোঙ্গাগী মফম অয়াম্বা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লবা মতুংদা ফিজিগী খা থংবা ঈথৎ মায়কৈ পাংখিবগা লোয়ননা কেটিগরি ৫ য়ৌনা শাফু কনখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি। ফিজিগী প্রাইম মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক বেনিমারামানা মীপূম খূদিংমক থোরকপা য়াবা খুদোংথীবশিং মায়োক্লনবা থৌরাং লৌখৎনবগীদমক চেকশিন ৱারোল পীখি।

মমাঙ চয়োলগী অথেংবা শরুক্তা সাইক্লোন গীতানা সামোৱা অমসুং অমেরিকান সামোৱাদা অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা সামোৱাগী কোনুং অপিয়াদা ঈচাও থোকহনখি।

পনবা য়াবদি, সাইক্লোন গীতা য়ৌশিল্লকপদগী টোঙ্গাদা মাঙজৌননা ইমর্জেন্সি লাউথোক্তুনা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। লৈবাক অসিগী এক্টিং প্রাইম মিনিষ্টর সেমিসি সিকানা মীপূম খূদিংমক চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনবা চেকশিন ৱারোল পীরদুনা হায়খি মদুদি অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমা য়ৌশিল্লকপা মরম্না মীপূম খূদিংমক মাঙজৌননা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। পুংদা কিলোমিটর ২৭৫ (পুংদা মাইল ১৭০) য়াঙনা শিৎপা নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা কেটিগরি ৫ য়ৌনা শাফু কনখৎলকপা তারবদি কা হেন্না খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না ফিজি মিটিওরোলোজিকেল সর্ভিসনা ফোঙদোকখি।

টোঙ্গা মিটিওরোলোজিকেল সর্ভিসকী ডিরেক্টর ওফা ফামুনুনা হায়খি মদুদি মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা খ্বাইদগী কনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমা য়ৌশিল্লকপা মরম্না অকুৎপা মফমদা লৈরিবা মীওইশিং খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মফমদা মাঙজৌননা হোংদোকখিগদবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৬ তা সাইক্লোন ৱিনষ্টননা মরম ওইরগা ফিজিদা মীওই ৪৪ শিহনবা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৫ দনা সাইক্লোন পামগী চৈথেং ফংবদগী ভানুৱাটুদা মীওই ১১ শিখিবগা লোয়ননা য়ূম ৬৫,০০০ অমাঙ-অতা থোকখি। কুমজা ২০১৪ দসু কেটিগরি ৫ য়ৌনা কনবা সাইক্লোন ইয়াননা মরম ওইরগা টোঙ্গাগী হাপাই আইলেন্দদা পাক-শন্না অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই লীশিং কয়া ময়ূমমকৈ লৈহনখিদ্রবনি।

# অথিংবা থল্লকপগীদমক য়ু এসপু নোর্থ কোরিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙখ্রে





সিওল, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি): ন্যুক্লিয়র ৱেপন্স প্রোগ্রামগা মরী লৈননা অথিংবা থল্লকপগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সপু নোর্থ কোরিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী য়ু এন মিসননা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি ন্যুক্লিয়র মিসাইল চাংয়েং তৌখিবগীদমক য়ু এন অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অথিংবা থম্লবা ফিরেপ লৌখিবদু মরম চাদে। য়ু এস অমসুং য়ু এননা নোর্থ কোরিয়াগী মীচম মীয়াম পাক-শন্না হাৎনবগী পান্দমদা অথিংবা থল্লকখিবনি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী থবক থৌরম পূম্নমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুদুম চনশিল্লে হায়বা হন্দক্কী থৌওং অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চয়োলদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা হায়খিবনি মদুদি ৱাশিংটন ডি সীনা প্যোংয়াংগী মথক্তা খ্বাইদগী কনবা মখলগী অথিংবা থম্লবা থৌরাং লৌখৎলে। করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা অথিংবা লৌথোকহন্নবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শানবা পাম্লবদি কম্যুনিষ্ট ষ্টেট অসিনা ন্যুক্লিয়র ৱেপন্স প্রোগ্রাম পূম্নমক লেপকদবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র এটেক চত্থগনি হায়না কিহল্লকখ্রবা মতুংদা য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা কয়ারক হন্না ৱাহৈগী লান শোক্লদুনা লাকখিবনি। পাক-শন্না মাঙহনতাকহনবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় শেমগৎলি হায়বগীদমক য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা ইনৌ নৌনা অথিংবা কয়ামরুম থম্বা লৈখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনসু নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা মতম অমদা হেক্তা এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না কিহনবা লৈখ্রবনি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ু এনগী মীফম অমদা য়ু এস এম্বেসেদর নিকি হেলিনা হায়খি মদুদি নোর্থ কোরিয়াগী কা হেনবা থৌওং অসি লেপহন্নবা মালেমগী মীয়াম্না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে।

মালেমদা ইং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় চাংয়েং তৌখিবগী থৌওং মীপূম খূদিংমক্তা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# য়ু এস, ইজরেলনা ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইজরেলনা অহানবা ওইবা ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্তুনা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে হায়না ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অফ্রিকাদা শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং কাউন্টর টেররিজমগী থৌওং লৌখৎপগা লোয়ননা এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা মরুওইবা থৌরম কয়া লৌখৎপগী মতাংদা নাকল অনীনা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। য়ু এসকী অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর পোলিটিকেল এফেয়র্স থোমাস সেনন অমসুং ইজরেলি ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ডিরেক্টর জেনরেল য়ুবাল রোটেমনা পূন্না ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা ডিজিটেল ডিপ্লোমেসি অমদি সোসল মীদিয়া টেক্নোলোজিগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, নাকল অনীনা ৱাশিংটন অমদি জেরুসালেমদা অসিগুম্বা মখলগী মীফম চাংনাইনা পাঙথোক্লবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু এসকী ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা শেনবা চহী ২০১৯ গী বজেট প্রপোজেলদা দোলর বিলিয়ন ৩.৩ ইজরেলদা মিলিটরিগী তেংবাং ওইনা পীরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। জেরুসালেমদা য়ু এস এম্বেসি শানবগী মতাংদা ফন্দ থাদরগনি হায়নসু ৱাশিংটননা লাউথোকখি।

মমাঙদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইজরেলি অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনদি নাকল অনীমক্না ইং-তপ্পা ফিভম পুরক্লবগী মতাংদা পুকচেল শেংনা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা লৈতে। অথুবা মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগা ইজরেলি অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌরগনি। ডিসেম্বর থাদা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কোনুং ওইনা শক খঙলে হায়না লাউথোক্লবদগী ইজরেলি অমসুং পেলেষ্টিনিয়নগী ৱাথোক হেন্না চাওথোরকপা য়াবগী ফিভমদা লাকখি। য়ু এস প্রসিদেন্টনা লাউথোকখিবা ৱাফম অদুবু মকোক থোংবা পেলেষ্টিনিয়ন ওফিসলশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট জেকোব ঝুমানা থা ৩ দগীনা ৬ ফাওবগী মনুংদা ফম থাদোকপগী অয়াবা পীখ্রে



*জোহনেসবর্গ, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি): ৱাথোক কয়া মায়োক্লরিবা সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট জেকোব ঝুমা অথুবা মতমদা ফম থাদোক্লগনি হায়না অফ্রিকান নেসনল কোংগ্রেস (এ এন সী) না ফোঙদোকখ্রে।*

*এ এন সীগী সেক্রেটরি জেনরেল এস মাগাসুলেনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি ঝুমানা ফম থাদোকপগী মতাংদা অয়াবা পীরক্লে। থেংলবদা থা ৩ দগীনা ৬ ফাওবগী মনুংদা মহাক ফম থাদোক্লবা য়াই।*

*অদুম ওইনমক ঝুমানা হৌজিক ফাওবদা ফম থাদোকপগী মতাংদা চপ চাবা মতম লাউথোকপা লৈত্রি। পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মাগাসুলেনা হায়খি, অফ্রিকান নেসনল কোংগ্রেসকী নেসনল ইগজেক্যুটিভ কম্মিটি (এন ঈ সী) না জেকোব ঝুমাবু ফম থাদোকহন্নবা ৱারেপ লৌরে। প্রসিদেন্ট ফম থাদোকপনা ওইহল্লক্কদবা ফিভম পূম্নমক কুপ্না খন্নরবা মতুংদা এন ঈ সীগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।*

*এ এন সীগী চৎন-কাংলোন মতুং ইন্না পার্টি অসিগী মীওই অমবু লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ফমদগী তোকহন্নবা ৱারেপ লৌবা ঙম্মী। অদুম ওইনমক প্রসিদেন্টনা ৱারেপ অদু শোয়দনা ইনগদবনি হায়বমক্তি লৈতে।*

*হৌজিক হৌজিক এ এন সীগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সাইরিন রামাফোসানা সাউথ অফ্রিকাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই হায়না থাজনরি। এ এন সীগী মরুওইবা লূচিংবশিংনা ঙসি প্রিটোরিয়া মনাক্তা লৈবা হোটেল অমদা পুং ১৩ চুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ঝুমাবু ফম থাদোকহন্নবগী মতাংদা ৱারেপ লৌখি। অদুবু প্রসিদেন্ট ঝুমানা য়ামদ্রবদা থা অহুমগী মতম পীবীনবা পার্টিগী লূচিংবশিংদা হায়জরকখি।*

*অমরোমদা, ওপোজিসননা প্রসিদেন্ট ঝুমাগী মথক্তা থাজদবগী মোসন অমা পুখৎনবা থৌরাং তৌরি। মোসন অদু চয়োল অসিগী মনুংদা পুখৎহন্নবা স্পীকরনা কুপ্না খন্নরি।*

# প্রসিদেন্ট রোদ্রিগোগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



মনিলা, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি): নুপী লালহৌবশিংগী মায়োক্তা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। নুপী লালহৌবশিংগী প্রাইভেট পার্টতা নোংমৈনা কাপ্তুনা মখোয়বু মী অমা ওইনা হিংবদা কান্নবা ফংহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবনি।

লেফট ৱিং গ্রুপ করাপটাননা হায়খি, প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটেরিয়ন লো ইকায়খুম্নদে হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। অরানবা পাম্বে শীজিন্নদুনা মতম চুপ্পা লৈঙাক পায়নবগী পান্দমদা মহাক্না মালেমগী চৎন-কাংলোননা য়াদবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি হায়না করাপটানগী সেক্রেটরি জেনরেল কৃষ্টিনা পলাবেনা ফোঙদোকখি।

খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা কম্যুনিষ্ট লালহৌবশিংদা ৱা ঙাঙখিবা অমদা দ্যুটর্টেনা হায়খিবনি মদুদি চহী কয়া লীশাং শিংনা লৈরক্লবা লালহৌবগী ঈহৌনা করিগুম্বা মখলগী কান্নবা অমত্তা পুরক্তে হায়বা মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরবা ৱাফমনি। লৈঙাক্না কম্যুনিষ্ট লালহৌবশিংবু মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হল্লক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংনবা শেম-শাদুনা লৈরি।

নুপী ফাওবা লালহৌবগী ঈহৌদা শরুক য়াবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, লৈবাক অমসুং ইমুং-মনুংগী মরুওইবা থৌদাং লৌগদবা নুপীশিংনা কান্নদবদা খূৎলায় পায়দুনা লান হৌবগী থৌওং মরম চাদে। খূৎলায় পায়দুনা লান হৌরিবা নুপীশিংগী প্রাইভেট পার্টতা নোংমৈনা কাপ্তুনা মখোয়বু মী অমা ওইনা হিংবদা পুন্সিগী চপ চাবা মহাও ফংহন্দনবা হোৎনগদবনি।

অমরোমদা মনিলাগী পোলিটিকেল এনালিষ্ট ষ্টিভ রোদনা হায়খি, প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসিনা লালহৌবগী ঈহৌ নমথবা ঙমগনি হায়বা থাজদে। লালহৌবশিংবু খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপগী মহুৎতা কা হেনবা থৌওং চত্থদুনা লৈরবদি ঈহৌ অসি নোংমনোংমগী কনবা হেনগৎলক্কনি।

মতম অমদা খা থংবা দাভাও সিটিগী ময়র ওইরম্বা দ্যুটর্টেনা মমাঙদা হায়খি মদুদি লৈঙাক্না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপদগী ফিলিপিন্সতা মতম খরগী মতুংদা লালহৌবগী ঈহৌ শোয়দনা নমথবা ঙম্লগনি। খূৎলায় পায়দনা লান হৌরিবা মীওই কয়াসু মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক শোয়দনা হল্লক্লগনি।

# অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী বোম লৈরম্বা লন্দন এয়রপোর্ট নৌনা অমুক মথৌ তৌবা হৌখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি): রনৱে মনাক নক্না অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী বোম অমা লৈরম্বদগী মীপাইবা পোক্তুনা থোঙ লোল্লুরবা লন্দন সিটিগী এয়রপোর্ট নৌনা অমুক মথৌ তৌবা হৌখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা কিং জোর্জ ৫ দোকতা অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী কিলোগ্রাম ৫০০ লুম্বা বোম অমা লৈরম্বদগী মীপাইবা পোক্তুনা মতম খরা এয়রপোর্টকী থবক থৌরম পূম্নমক লেপ্লুরবনি। লন্দন সিটি এয়রপোর্টকী চীফ ইগজেক্যুটিভ রোবর্ট সিনক্লেয়রনা হায়খি মদুদি দোকতগী বোম লৌথোকখ্রবা মতুংদা হান্নগী মতৌগুম এয়রপোর্টকী মথৌ নীংথীনা পাঙথোকপা হৌরে।

বোম লৈরম্বনা মরম ওইরগা লন্দন এয়রপোর্টতগী অতোপ্পা মফমদা চৎকদবা অমসুং এয়রপোর্ট অসিদা থুংলগদবা মীওইশিংদা থোকহনখিবা খুদোংচাদবশিং অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়জরি হায়নসু সিনক্লেয়রনা ফোঙদোকখি।

লন্দনগী ওইনা মঙাশুবা খ্বাইদগী চাওবা এয়রপোর্টতা নোংমখক থবক থৌরম লেপখিবা অদুনা পেসেঞ্জর ১৬,০০০ লোমদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। কুমজা ১৯৮৭ তা হাংদোকখিবা লন্দন সিটি এয়রপোর্টনা কুমজা ২০১৭ তা পেসেঞ্জর মিলিয়ন ৪.৫ হেন্দল তৌখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, রনৱে মনাক্তা লৈরম্বা অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী বোম অদু লৌথোক্লবগীদমক এয়রপোর্ট মনাক নক্না খুন্দাবা মীওই ৫০০ রোম খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখি। ন্যুহেম কাউন্সিলগী লোকল ওথোরিটিনা খুদক্কী ওইনা রেষ্ট সেন্টর অমা হাংদোকখিবগা লোয়ননা এয়রপোর্ট মনাক্তগী হোংদোকহনখিবা মীওইশিং মতম খরা লৈনবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৪০ গী সেপ্টেম্বরদগী হৌরগা কুমজা ১৯৪১ গী মে ফাওবা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমদা নাজি জর্মননা লন্দনদা নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চত্থবগা লোয়ননা বোম কয়ামরুম থাদখিবনি। এয়রপোর্টকী রনৱে মনাক্তা লৈরল্লিবা বোম অদুসু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা নাজি জর্মনিনা থাদরকখিবা বোম ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

পনবা য়াবদি থেমস রিভর অমসুং লন্দন সিটি এয়রপোর্ট মনাক নক্না পোকখায়দ্রিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী বোম অনী লৈরম্বদগী ফ্লাইট পূম্নমক কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা মনাক নক্না খুন্দাবা মীওইশিং খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখিবনি।

রোয়েল নেভিগী লেফটনেন্ট কম্মান্দর জোনি কেম্পবেলনা হায়খি মদুদি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী বোম অদু থোইদোক্না খুদোংথীনিংঙাই ওইদবা তারবসু চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা এয়রপোর্ট মনাক নক্না খুন্দারিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমদা হোংদোকহনখিবনি।

বৃটিশ এয়রৱেজনা হায়খি, রনৱে মনাক্তা বোম লৈরম্বদগী ফ্লাইট কেন্সেল তৌখিবা মরম্না পেসেঞ্জরশিংগী খুদোংচানবগীদমক অতোপ্পা এয়রপোর্টতগী মানা মানা চৎকদবা লমথুংফম য়ৌহনখিনবা থৌরাং লৌখৎলে। হৌজিকমক্কী ওইনদি বোম অদু মতৌ করম্না এয়রপোর্টকী রনৱে মনাক্তা লৈরল্লিবনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

# হফিজ সয়ীদনা লূচিংবা জে য়ু ডিগী মথক্তা পাকিস্তাননা থম্বা অথিংবা চেৎশিলহনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি): হফিজ সয়ীদনা লূচিংবা জমাট-উদ-দৱা (জে য়ু ডি) গী মথক্তা পাকিস্তাননা থম্বা অথিংবা অমুক্কা হেন্না চেৎশিলহনখ্রে। মমাঙ চয়োলদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী ইস্লামাবাদনা জে য়ু ডিসু অথিংবা থল্লবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা য়াওহনখিবনি।

থৌওং অদুনা ফলাহ-ঈ-ইনসানিয়ট ফাউন্দেসন (এফ আই এফ), লাস্কর-ঈ-টৈাইবা অমসুং হর্কট-উল-মুজাহিদ্দিননচিংবা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াবু নীংবা কায়হনখি।

পেরিসতা ফাইনান্সিয়ল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কী মীফম অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা অথিংবা থমখ্রবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন ২৭ কী মনুংদা জে য়ু ডিসু য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

পাকিস্তানদা এন্টি-টেররিজম এক্ট (এ টি এ) ওর্দিনান্স এমেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা অথিংবা থমখ্রবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মরল-মথুম পূম্নমক ফাজিন্নবা থৌরাং তৌরি। হায়রিবা ওর্দিনান্স অসি হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা প্রসিদেন্ট মামুন হুসেননা পুখৎলকখিবনি।

পাকিস্তানদা নুমিৎ খূদিংগী ফোঙবা পাউচে দোনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, প্রসিদেন্ট মামুন হুসেননা এন্টি-টেররিজম এক্ট, ১৯৯৭ এমেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা ওর্দিনান্স অমা চৎনহন্দুনা অথিংবা থমখ্রবা টেররিষ্ট অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী মরল-মথুম পূম্নমক ফাজিল্লগনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা পাকিস্তানদা দোলর মিলিয়ন ২৫৬ কী সিভিলিয়ন এসিষ্টেন্স অমসুং দোলর মিলিয়ন ৮০ গী মিলিটরি তেংবাং পীবগী ৱাফম পুখৎখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯ গী বজেট পুথোকখি। মমাঙদা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা টেররিজমগী মায়োক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎতে হায়বগীদমক পাকিস্তানদা পীরম্বা দোলর বিলিয়ন অনীগী তেংবাং মখা তানা পীররোই হায়না লাউথোকখি।

ৱাফম অদু লাউথোকখ্রবা মতুংদা পাকিস্তানগী ফাইনান্সিয়ল রেগ্যুলেটরি বোদি ওইরিবা সিক্যুরিটিজ এন্দ এক্সচেঞ্জ কম্মিসন ওফ পাকিস্তান (এস ঈ সী পি) না জে য়ু ডি, এফ আই এফ অমসুং এল ঈ টি য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী দোনেসন লৌবগী থৌওং চত্থবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি।

কাশ্মিরগী ৱাফম পুখৎহন্দনবা পাকিস্তান গভর্নমেন্টনা মহাকপু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবনি হায়না জমাট-উদ-দৱা (জে য়ু ডি) গী লূচিংবা হফিজ সয়ীদনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়া অমসুং য়ু এস গভর্নমেন্টনা হীরম অসিদা খূৎ থিংজিল্লকপা লৈতে। কাশ্মিরগী ৱাফম পুখৎপা য়াহন্দনবগীদমক পাকিস্তান গভর্নমেন্টনা মহাকপু ফাজিন্দুনা থমখিবনি হায়না নাজরিয়া পাকিস্তান ট্রষ্টতা ৱা ঙাঙখিবা অমদা হফিজ সয়ীদনা ফোঙদোকখি।

মুম্বাই টেরর এটেক হায়না খঙনবা মুম্বাইদা বোম মথং-মথং পোকখায়হন্দুনা মীওই কয়া শিহনখিবগী থৌদোক্তা মপূং ওইনা চেন্নবা সয়ীদনা মমাঙদা ইন্দিয়া অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু মরাল শীবসু লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী পাকিস্তানি গভর্নমেন্টনা মহাকপু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবনি। মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা মহাক হাউস এরেষ্ট তৌরম্বদগী থাদোকখি।

জে য়ু ডিগী লূচিংবা অদুনা মখা তানা হায়খি, কাশ্মির তম্পাক্তা চত্থরিবা মীওৎ-মীনৈগী থৌওংশিং পাকিস্তানি গভর্নমেন্টনা থৌশাদবা তৌরোইদবনি। কাশ্মিরী মীয়াম্না হৌরিবা নীংতম ঈহৌদা মপূং ফানা শৌগৎপা মথৌ তাই।

কাশ্মিরী মীয়াম্না থৱায় থাদুনা নীংতম ঈহৌ হৌবদা হৌজিক ফাওবা ইস্লামাবাদনা থৌশাদনা লৈথোকপগী মরম খঙনিংই হায়নসু হফিজ সয়ীদনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর সহীদ খকন অব্বাসিনা মহাক্কী কেবিনেট মেম্বর মঙাগা লোয়ননা য়ু এনগী ওফিস মমাঙদা সিট ইন প্রোটেষ্ট চত্থদুনা কাশ্মিরী মীয়ামগী ঈহৌ শৌগৎপা উৎকদবনি।

লাস্কর-ঈ-টৈাইবা (এল ঈ টি) সু লীংখৎলম্বা হফিজ সয়ীদ ফাবা নৎত্রগা হাৎপা ঙম্বা মীওইদা দোলর মিলিয়ন ১০ পীগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

কাশ্মিরদা চত্থরিবা থৌওংশিংগী মতাংদা সয়ীদনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক কাশ্মিরগী মীয়াম ওৎ-নৈবগী থৌওং চত্থরিবা অসিদা পাকিস্তান গভর্নমেন্টনা খঙশিন্নদনা লৈথোকপা চুমদে। কাশ্মির নীংতমহন্নবা হোৎনবদা ইস্লামাবাদনা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। লুরবা তানফম অসিদা পাকিস্তাননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লেপ্তুনা কাশ্মিরী মীয়াম্বু মখা তানা ওৎ-নৈবগী থৌওং চত্থরকপা তারবদি পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা য়াই। পাকিস্তাননা য়ু এসকী য়াকা য়েংলগা ওর্গনাইজেসনশিংগী মথক্তা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংসু খুদক্তা লেপকদ্দবনি।